হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, মার্চ ১০, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩৪২শুবা মশীং

# নম্ফু তৌখিবশিং কারক্লগা কমদৌবা
## খঙদবনা হায়বনি, মণিপুর নুংঙাইরকখিনি

হন্দক তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখ্রিবা মীখলগী রিজল্ট লাউথোরক্লবা মতুংদা অপূনবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০দা করম-করম্বা কেন্দিদেটনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরগদগে হায়বদু খঙলগদবনি। ঙানি-ঈশিংনি হায়বদু চপ চানা লৈখাই তারগদবনি। মখোয়গী মরক্তা চপ-মান্নবা পার্টি অমগী মীহুৎশিং পুনশিল্লগা মেজোরিটিবু কম্মান্দ তৌরবদি গভর্ণরনা লৈঙাক শেমহন্দুনা মীয়ামগী ৱায়েল-থৌদাগী থবকশিং খূৎশিন্নরগদবনি। পার্টি অমত্তনা লৈঙাক পায়বা য়াবগী মশীং শুদ্রবসু ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদি হাঙদুনা মপু পান্দনা লৈবা য়াদবনিনা কুমজা ২০১৭কী ১১শুবা এসেমব্লি মীখলদা তৌখিবদৌনা মশীং শুনবা চোইখোম খোল্লগা শীংজুগী লৈঙাক্লোইশিংগী লৈঙাক অমদি শোয়দনা লৈরগদবনি। এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংনরকপা য়াওরগনা য়াওবগী থবক, য়াওদ্রগনা য়াওদবগী হৌনবা অদুম্মক লাক্লগদবনি। মরমদি দেমোক্রেসিগী পার্লিয়ামেন্টরি ফোর্ম ওফ গভর্ণমেন্টকী থবক-থৌরমশিং শরক শিহনবা য়াদে। কন্টিন্যুইং প্রোসেসনি। মসি থোক্তনবগীদমক অনৌবা ১২শুবা মণিপুরগী জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোক্লিবনি। হৌজিক্তি পাঙথোক্তবা য়াদবদগী পাঙথোকখ্রবনিনা ঙসি অয়ূক পুং ৮দগী ইলেক্টোরেল দিষ্ট্রিক্টশিংগী হেদ ক্বার্টরশিংদা ভোট মশীং থিবগী থবকশিং হৌরগদবনা করম্বা পোলিটিকেল পার্টিগী কনা-কনানা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরক্লবগে হায়বদু খঙলগনি। অদুগা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা মীখলদুদা মীরেপ ওইখিবা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিংগী মনুংদগীসু মীহুৎ ওইরকপা য়াওব্রা নৎত্রগা য়াওদব্রা হায়বদুসু খঙলগনি। ইশম-শম্বদা এসেমব্লি সেগমেন্ট ৬০ মক্কী অকক্লবা, লেঙদবা মীহুৎশিংগী মশক খঙলগনি। মীহুৎ ৬০গী মনুংদগী খ্বাইদগী চহী য়াম্বা অমবু মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ফ্লোরদা প্রোটেম স্পিকর ওইনা খল্লগা মহাক্না নৌনা কারক্লবশিংবু হাওসকী মেম্বরশিং ওইনা অমসুং ৱাশক লৌগদৌরিবনি।

অদুবু মতাংসি য়ৌরকপদা চোঙথোরক্লিবা ৱাহংদি তৌফম থোক্তবা থবকশিং তৌদুনা, শীজিন্নফম থোক্তবা অরানবা পাম্বৈশিং শীজিন্নরগা নম্ফু-হাফুদা ভোট খরদা ওইরবসু মশীং হেল্লগা কারক্তুনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইবা য়াওশিল্লক্লগনা কমদৌবা হায়বসিনি। মরমদি এসেমব্লি হায়বসিদি দেমোক্রেসিগী শেংলবা লাইশঙনি। ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী অমদি মণিপুরবু চলাইনবা লোশিং পুথোক্তুনা খন্নরগা অমত্তা ওইবা ৱারেপ লৌদুনা শেমগদৌরিবনি, চৎনহনগদৌরিবনি। হায়বদি লেজিসলেটিভ এসেমব্লি হায়বসি লো মেকিং বোদিনি। ষ্টেটকীদি খ্বাইদগী ৱাংলবা লেজিসলেচরশিংগী ফোরমনি। অদুবু দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোনগী মথ্বায় হাপকদৌরিবা বোদিসিদা প্রোক্সি অমসুং বোগস ভোটিং বূঠ কেপচর, ঈ ভি এম অমসুং ভি ভি পেট মেছিননচিংবা থুগাইদুনা অমাঙ-অতা থোকহল্লগা, রি-পোলনচিংবা তৌহল্লগা নম্ফুদা কারকপা, মীহুৎ ওইরকপশিং য়াওশিল্লক্লগদি 'টেম্পল ওফ দেমোক্রেসি' নি হায়রিবা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদি কমদৌবা? লৈবাক মীয়ামগী লাইবক্না করম থোক্লগবা? ইলেক্সনদা অরানবা পাম্বৈশিং শীজিন্নদুনা কানরকপা য়াওরক্কদৌরিবসিগী মথক্তা হান্নদগী ক্রিমিনেল এন্টিসিদেন্ট লৈজরকপা কেন্দিদেট কয়াসু য়াওরিবনি। করিগুম্বা মখোয়গী মরক্তগী মীয়ামগী মীহুৎ ওইবগা য়াওশিল্লক্লবদি ভোট কাদুনা মায় পাক্লবা হোৎনবদবু অরানবা পাম্বৈ শীজিন্নখিবগী ৱানি; লৈবাক মীয়ামগী থৌগল তৌবদদি অচুম্বা, অশেংবশিংদমক তৌগনি হায়দুনা লিননা মখুল চঙলমদাইদা চুম্বগুম চুমথোকচরক্কদ্রা? নৎত্রগনা তোংজৈ থাদুনা চুমথোক্লবা হোৎনরবসু শৎতোকপগা অদুম্মক কোন্দুনা লৈরবা হুই মমৈদৌনা অদুম্মক তৌগদ্রা হায়বসিনি। অনীসিগী মনুংদা অমদি মায়োক্লবা শোয়দ্রে। অনীমকসি শুকনৎ নৎত্রগনা মীয়ামগী থৌগল তৌজনীংবা কোন্সেং-পুমশেং মীহুৎশিংসু শোয়দনা য়াওরক্কনি। মখোয়না অশেংবা-অচুম্বশিংতবু তৌরক্কনি। লৈবাক মীয়াম শোয়দনা য়াইফগনি। অদুবু খুদোংচাবা মতমগী তাঞ্জানা মীবু হুরানহল্লি হায়বদুগুন্নদনা করিগুম্বা পার্টি অমত্তনা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংনবা য়াওরক্ত্রগদি কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী ৱাংলবা টেন্থ্ সেদ্যুলগী অথিংবা ফাওবা লান্না চোঙবা য়াওরকপসু য়ারি। অদুবু পূন্নমক ঙসি অয়ূক্তগী হৌগদবা ভোট মশীং থিবগী থবকসি মপূং ফানা লোইশিল্লক্লবদি মীয়াম্না খরমখৈদি মাঙজৌননা খঙবা হৌরগনি। অদুবু খঙলবসু শাগৈগী মৈতাল অরাবা ঙাক্তা ওইগদবদা অশিবা ফৌহাম য়াওরক্লগনা খূৎ-শা তরা প্রোক-প্রোক থেক্তুনা খাঙবা তাবনি। কাউন্টিংগী রিজল্ট লাউথোকখ্রবদি অতোপ্পা পাম্বৈ অমমুক লৈরক্লোই। মথংগী মীখল অমুক য়ৌরক্ত্রিবা ফাওবদি ইচা ফত্তবা চাওবা ঙাইবা, ইৱা ফত্তবা শিবা ঙাইবদুগী ফীভমদা অদুম্মক লৈবা তাবনি। করম থোক্লগবা মণিপুর মীয়ামগী মরাইবক?

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৭

১) অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৬০দা ফোঙবা *"অমাইবা"* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **"অমেরিকাগী ঈশৈ"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **"মণিপুরদা ঐগী চহী অহুম"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেলদা কনানা ইবা লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৪) *"ৱারী শীংবূল্লক্তগী"* হায়বা অঙাংগী ওইবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) *"লৈকংলা"* হায়বসিগী অইবসি কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নবা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৬৭
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

**চাইথোরকপা ৱাখল**
**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মণিপুরদা শুমাং লীলা হায়বা আর্ট ফোর্ম অসি লমদম অসিগী লৈহাওদা চুশিন্নদুনা মরা তানা লৈখ্রবনি। অহানবদা শুমাং লীলা হায়না মমিং থোল্লমদ্রবসু, মান্নবা মওং মতৌ অমদি শাহৌদা মমিং ওন ওন্দুনা মীয়ামগী মরক্তা হেন্না হেন্না মপূং মরৈ ফারকখিবনি। শুমাং লীলাগী মতিক ময়াই অসি অসুক্কী মতিক য়াম্না চাউই। মহাক্কী অরেপ্পা মমিং লৈজরবসু মীয়াম্না থোন্নিং থোন্নিংবা মমিং থোন্দুনা য়াম্না চেকশিন্না মীয়ামগী খুবামনুংদা নাওকোল্লকখিবনি। যাত্রাৱালি হায়না মীয়াম্না খঙনরম্বা অসি কনানসু থিংলুবা য়াবা নত্তে। মদুসু মশা মশাগী লূপকী মমিং লৈজরবসু কনানসু মদোমদা পূক্লিং চঙলুদে। কেঞ্জেং লৈকায় পার্টি, অহল্লুপ পার্টি, কোংবা পার্টি, ইতুখোম্বী পার্টি, বাবু পার্টি, তোম্বী পার্টি, জয় লক্ষ্মী পার্টি, তুলেশ্বর পার্টি, চৈতৈ পার্টি, মসিদগী অমুক লীলা মমিংদা মীয়াম্না খঙনদুনা - অবিরখান পার্টি, দেবদাস পার্টি হায়বনচিংবা কয়া লাকখি। অসুম্না মীয়াম্না হেক পামজবা মমিং থোন্দুনা লাকখি। মসিগী তাঙ্কক অসিগী মরক্তনি, ঈশৈ লীলা হায়দুনা অমা থোরকখিবা অসিসু। মসিনা নহাশিংনা য়াম্না পাম্মী। অহানবদদি কয়া থওইনরমদে, অদুবু য়াম্না থুনা মসিগী পোপ্যুলরিটি অসি শিনবা থুংনা শন্দোরকখি। থাদোই পার্টি, চাকথেকপী পার্টি, লৈরাং খোইমু পার্টি হায়দুনা মীয়াম্না খঙনরক্তুনা মসিগী মখলগী লীলা অসি পাক শন্না শান্নবা হৌরকখি। কোন্নথংদদি অতৈ লোইনা তোকখ্রগা চাকথেকপী পার্টি হায়বা অসিনা মরা তানা মীয়াম্না কা হেন্না খঙনদুনা লাকখি।

মতমদুদা ঐখোয়সি লাইসু য়াওনা মীচং চঙবা হায়বদুমক থোকখিবনি। ঐখোয়না পুথোকপা লীলাশিংসি মীনা হেক্তা পাম্নখি। অদুক য়াম্না কা হেন্না ৱারীদনি খঙদে, থোইদোক হেন্দোক্লা ফজবগী ৱা ঙাকসু নত্তে, মীনা হেক য়েংবদা করিদনো খঙদে পংপামদা পাম্নখি। ঐখোয়গী কম্বীনেসন এক্টরস কেমিষ্ট্রিদু য়াম্না চানখি। অদুনা পোপ পোপ হেক তাদুনা মীয়ামগী মীৎ থকখিবনি। মতমদুদা পুথোকপা লীলাসু, মতমদুগী মীনা করি পাম্মী, করি চৎনরি, ৱাঙাঙ শঙাঙনা কমদৌরি হায়বনচিংবা কয়া অদোমদা থি থিদুনা লীলাদুদা শীজিন্নবনি। অদুনা ইনৌ নৌবা মহাউ অমা ওইহনবা ঙমখিবনি। অদুগীসু মথক্তা ঈশৈ হায়বা অমসু য়াওশিল্লকপা অসিনা মীশিংনা য়াম্না পাম্নবা ওইখ্রে। ঈশৈ শক্লিবসি মতমদুদা জিতেন অমদি নবনি। অনীগী জুরা অসিসু য়াম্না পক্লে। জিতেননা সুর পান্নি, নবনা শক্কনি, নবনা শকপসি ওন্থোকপা মতৌ অমনি, ঈশৈ শকপদা মাগী এক্টিং অমা য়াওরি। মদুসু মীনা অসুক্কী মতিক পাম্নবনি। ঈশৈ তারিরা মাগী মতৌ য়েংলিরা খঙপোত্তে, ময়ামসি ৱা ৱা নোক্তুনা ওন্থোক্লা পাম্না তানবনি। ঈশৈ ময়েকসু মতমদুদা হায়রবদি ইনৌ নৌবা ঙাক্তনি। ঈশৈগী অনৌবা ইপোম অমা ঐখোয়গী লীলানা পীখিব্রা হায়নবু খল্লি। ওইরমদবসু য়াই, অদুবু মথেল মথেলগী ঈশৈসি ঐখোয়না পুথোরকখি। মতমদুদা লৈবাক সেট কায়না মমিং চৎখিবা, শুরগী নিংথৌরেল হায়রগসু খঙনখিবা, লৈখিদ্রবা ওজা নোংমাইথেম পহারিনা হায়খিবা অমা ঙসিসু ঐ কাউদ্রি, মণিপুর মতম ঈশৈগী ইনোৎ অমা নখোয়না পীরে। নোইনা পুথোক্লিবা ঈশৈশিং অসি মওং য়াম্না তাই, ইনৌ নৌবা ষ্টাইল ঙাক্তনি। মসি ঐসু য়াম্না পাম্মী হায়না হায়বীখি। ওজাসি ঐখোয়গা য়াম্না নকশিন্নৈ। জিতেননা পার্টিদগী তোকখ্রবা মতুংদা ওজা পহারিনা ঐখোয় লীলাগী ঈশৈ ময়াম অমা সুর পানবীখি। ঈশৈশিংদু লোইনা ফাওখি। ঐগী ঈশৈ ময়েক খরা অমসু ওজানা রেদিওদা শকপীখি।

নাইট ক্লব হায়বা লীলা অমা ঐখোয়না শান্নখি। লীলাসি কৈসু লৈবা ৱারী নত্তে, অদুক য়াম্না লুবা লীলাসু নত্তে, অদুবু লীলাসিদা ঈশৈ মখল খরা য়াওই। মদু লোইনমক মীয়াম্না পাম্নখি, রোমান্টিক সোঙদা *"চিনবান্না হাইফেৎ নোক্লগা, খোঙবীনা লৈমায়দা তক্তুনা, নুংশি কিসি থোক্লিবী"* হায়বসি দ্যুএট সোংনি। মসি মীনা অসুক্কী মতিক পামখি। অতোপ্পা সেদ সোং অমসু লৈ, নবনা শকপনি, ঈশৈসিমদি হৌজিকসু মীয়াম্না পাম্নরি *"লমদম তাম্না লৈখ্রবা মাগী, নুংশি মপাউ তাখিদবা কুইরে"*। লীলাসিদা কৱালি ঈশৈ অমসু য়াওই, মদুসু ওন্থোকপা মখলগী মনুংঙাই অমনি। অদুগা ৱারী ৱাতাই শানবগী টাইপতা শকপা ঈশৈ অমসু য়াওখি, মদুসু হৌজিক ফাওবা লীলা য়েংবিহৌবা পূম্নমক্লা কাউবীরমখিরোই হায়না থাজৈ, *"কৈদৌঙৈ সিনেমা য়েংসিগে, নোংমাইজিংদা য়েংলসি, অদুদি ঙসি করি নুমিৎনো, নিংথৌকাবনি, অদুদি য়াম্না ৱাৎলি পোৎনিনা, ঙাইবদা ওন্থোক্লা ৱাগদৌরিদা, খরা নক্লা থারকউ, ঙাইঙমদবা ইবুংঙো হয়েং হেক্তা য়েংলসি য়ারব্রা, হো য়ারে"* ঈশৈসি ৱারী শাবা ওইনা সুরসি শেন্মী, মসিগী ঈশৈগী সুর মতা অসি য়াম্না নৌবা ষ্টাইল অমনি, অদুনা মী পূন্নমক্লা পাম্নখিবনি। অসিগুম্বা কয়া অসিনসু ময়ামসিনা ঐখোয়গী লীলাসি পাম্বগী চাংসি হেনগৎখিব্রা খল্লি। শংবান্নবা অতিয়া হায়বা লীলা অমসু লৈ, মদুদা শকখিবা, *"ঙসি লোক্তাক খোংবানসিদা, ইনৌ নৌরে ঐগী ৱাখলসে, ঈথক হৌরে ইপোম হৌরে, ঐগী ৱাখল ঐগী পূক্লিং"* সিমসু হৌজিকফাও মীনা শোন্নরি। অতোপ্পা অমনা, *"লুহোংলমদাইসে ইনুংতা নুংঙাই, পূক্লিং অসে, ইনৌতা নৌই"* হায়বা ঈশৈ অসিসু মথেল অমা ওইনা মীয়াম্না ওন্থোক্লা পাম্নখিবনি। পঞ্জরিবা খরা অসিদি খরখক্কী ৱানি। য়ামখ্রবা ঈশৈনি। ঐখোয়গী লীলাদুদা হেক হৌবদা কাষ্টিং থাবগী মওং অমা হাপচিল্লি। মদুসু নুংঙাইখ্রবা মথেল অমনি। মোরেগী ছাতিন ফোলদিংদু ইহান হান্না থোরকপা মতম, ময়াম্নদি কয়া শীজিন্নবা হৌদ্রিবা মতমদুদা ঐখোয়গী লীলাদুদা কাষ্টিং থাবদা শীজিন্নৈ, নুপা অমগা নুপী অমগা ম্যুজিক্কা লোয়ননা চেন্থোরক্লগা ছাতিনদু শৎ খন্দোক্লগা লেপ্লী। মদুদা মীং লাউথোকই। হেক লোইবগা অমুক ম্যুজিক অমগা লোয়ননা চঙলকখি। মসিদগী হৌরে ময়াম্না খূবাক খুবসি। মদুদা য়েংগে হায়বা কোঙ্গাই অমা লৈরিবনি। অঙকপা অমনি। হৌজিক্তদা খল্লুরগা তৌখিবা ময়ামদু ইবু ইকায়রকই। অদুবু মতমগী চৎনবীনি।

মতম অদুৱাইদা, মতম ঈশৈ শকপগী প্রোগ্রামসি য়াম্না কন্না চৎলম্বদু, ঐখোয়গী লীলাদু থোরকপদগী ওইদুইরা কৈনো, ঈশৈ তৌবগী মহুত্তা, ঈশৈসু য়াওবা, লীলাসু য়েংবা হায়দুনা ঐখোয়গী লীলাসি পংকৌদা কৌবা অমসু য়াওখি। মতমদুদা হৌজিক্তি লৈখিদ্রে, তা শ্যাম (অহৈবম শ্যাম), তামো খুন জয়কুমার, ৱাহেংবম সমসন মোইসি ঐখোয় পার্টিগসু য়াম তিন্নৈ। তামো জয়কুমারদি ঐখোয়গী লীলাগী ঈশৈ ১০০ মুক্কী ময়াদা তা শ্যামনে, খুন জয়কুমারনে মোইনা সুর পানবীখি। তা শ্যামদি পংয়াম য়ামদে, খুন জয়কুমারনি য়াম্না পাল্লিবসি। মাদি লীলাসু য়াম্না পামজবনিনা, ঐখোয়গী লীলা তম্বগসি নুংতিগী য়েংই, লীলা শান্নবা চৎপসু ঐখোয়গী মিনি বস তোংদুনা অদুম য়াওই। ময়াম মরক্তা লোন্না ফমদুনা লীলা য়েংই। খল্লুরগা য়াম্না নুংশি। লীলাদা শকপা ঈশৈগী এক্টিংসি মানা পামজবা অদু হায়দুনা সুমাইনা তৌরবদি ফজগনি গাইনা য়াম্না সজেসন তৌখি। মশামক্লা রিহার্সেল তৌবদা হৌগৎলগা এক্টিংগসু তৌরিপোৎনি। মানা পানবিখিবা ঐগী ঈশৈ ময়েকশিংনি, য়েংবীয়ু - *"লমহেনবী নঙগী শল্লাংসে, নুংশিবা লাইমা খঙমন্দে, য়েংনীংবা কনাগী মায়থোংবু লোৎতুনা থম্মী খনজিন্দুনা"* হায়বা ঈশৈ অসি ঐনা অপাইবা লৈচিল হায়বা লীলা অদুগী ইবনি। ঈশৈসি খুন জয়কুমারনা সুর পানবনি। মানা ঈশৈসি লীলাদা হাপ্পনু, অতোপ্পা অমা ইরক্লো, সিগীসি মা ওইনা শক্লগে হায়না য়াম্না কন্না হায়। সুরদু তাবদা ময়াম্না য়াদবদগী লীলাদুদা হাপ্পুদি হাপ্পী, অদুবু তামো জয়কুমারগা দেবলাগনসু রোয়ল সাউন্দদা রেকোর্দিং তৌদুনা নমখি, *"নুংশিবনিদা লৈশারিঙৈগী মতমদো, পাম্মুইদকো লাক্লরোইদো অমুক"*, *"ফোঙদোক্তবা নুংশিবা, কয়াম কুইনা থমখিনি, ওমচাক্লনা থম্মোয়নুংদা, নুংশি মৈশা লাংখিনি"*, *"মসিগীদমক্লা নুংশিরুবা, মসিগীদমক্লা থাজরুবা"*, *"মৈরিলক্তা লংশিল্লম্লবা, তাঙ্গোই তার ঐগী পুন্সিসে"*, *"ইপাম লমদম নুংশিবী, পন্থৌ শঙ্গাই পাম্মুবী, থাদোক্লল্লে ঙসিদি মাঞ্জ কাদা লাক্লেদো, লৈহৌরেদো নিংঙোলগী পুন্সি"* য়ামখ্রবা ঈশৈনি তামো জয়কুমারনা সুর পানবীরম্বা। লোইনমক পনবা ঙমদ্রে। ঐখোয়গী পার্টিসি ময়ামসিনা য়োম্মগা পুখৎলকখিবনি। মখোয়গী লমনসু য়াম্না চাউনা তোল্লিবনি। ঐনা লীলা তৌরিঙৈ মতমদদি মখোয়বু তোয়না ইকায়খুম্নবা উৎখি। হৌজিক্তি মদু তৌরিব্রা, তৌদব্রা অমদি মখোয়গী মরমদা কনা কনানা থাগৎ ৱাহৈ পীরিবগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রে। তৌবুদি হৌরকপগী ৱারী লোইনা খঙবা মীদি লৈদি লৈহৌদ্রে। ঐখোয়গী লীলাদা থোইদোক্লা মীনা পাম্নরিবসি মথক্তসু পঞ্জখ্রে, ঐখোয়গী ঈশৈশিং অদুনি হায়বা য়াই। ঐখোয়গী ঈশৈশিংসি কেসেট নমদুনা য়োনবদা অঙকপা ফংনা শিংখিবনি। মণিপুরদা ইহান হানবা ওইনা রেকোর্দিং তৌবসি ঐখোয়গী লীলানা অহুমশুবা ওইরমগনি খল্লি। মতম অমদা লৈখিদ্রবা ঐগ্যা ইবোহলগী এক্স-সাইন ষ্টুদিও অমা শেমগৎখি। মদুদা নমখিবসি রুপ রাগকী অমা, পুখ্রম্বম চন্দ্রকুমারগী অমা অদুগা অহুমশুবদা ঐখোয়গী **ঙসি লোক্তাক খোংবানসিদা** হায়বা অসিনি। মসি কেসেট ওইনা য়োনখি। ঐখোয়না প্রদ্যুস তৌবা নত্তে, মীনা তৌবনি, কেসেটতু খ্বাইদগী য়াম্না শিৎপা কেসেটশিংগী মনুংদা রেকোর্দ চনখিবনি। অদুগী মতুংদনি কেসেট ময়াম অমা মথং মথং পুথোক্লরকখিবা। অহানবদদি খ্বাইদগী ফাওবা কেসেট ওইখিবসি ঐখোয়গী 'লোক্তাক খোংবান' দুনি হায়বা তাই। ●

# হিংসি, হিংমিন্নসি - ২

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

পুন্সিগী খোঙচৎনা লোইবদা শিবগী খয়াত্তা তারবা মতমদা ঐখোয়গা লোয়নদুনা পুখিবসু য়ারোইদবা শেল, লন-থুমনা অপেনবা কৌবা লৈতনা পৈশিন্দুনা থমনীংলি অতোপ্পবু মতেং খরা খরা পাংবগী মহুত্তা। অহেনবা পৈশিন্দুনা থল্লিবা শেল, লন-থুম, য়ূম-কৈ, ফুরা-দলাল পূন্নমক অসি করিসু পুবা য়ারমদ্রে হায়বসি অশিবা কৌবা মীকুপ্তুনা লাকপা মতমদা খঙবদৌনা তৌই মীওই অয়াম্বনা। অতোপ্পগী শেল, লন-থুম্বু কল্লক্তুনা নমথাক তৌদুনা লৌথোকপীরিবা, তুংশিল্লিবা শেল-থুম, শাগৎলিবা য়ূম-কৈ, ফুরা দলাল খুদিংমক করিবু কান্নগদৌরিবা শিরমদাই মীকূপ্তুদা ইনাক্তা নুংশিজবা মীওই নৎত্রগা মীওইশিং অদুনা লৈত্রবদা। অরোইবা পুন্সিগী খোঙচত্তা খ্বাইদগী মরু ওইরিবদি নুংশিবা হায়বদু খক্তনি। নুংশিবা ইমা-ইপা, ইচা-ইশু, ইচিন-ইনাও, ইচে-ইচলশিংনবু ইনাক্তা লৈত্রবদা ফাওরিবা অৱাৎপা, নুংঙাইতবা অদু মেনশিনবা খক ঙম্লরোইদো শেল, লন-থুমনা। অদুবু শেল অমদি লন-থুমদা য়াম্না মীহৌরুবনা ঙসি ঐখোয়গী খুন্নাইদা হেক পোকমিন্নবা মচিন মনাও, মচে-মচল ফাওবা নুংশিননা হিংমিন্নবা ঙমদ্রি, অৱাবনি। হিংলিঙৈ মতমদা ঐখোয় ইশাখক হিংবা নত্তনা অতোপ্পবুসু হিংবদা মতেং পাংবা হায়বসি ঐখোয় মীওইবগী হৌন-লোনচৎ, লাইনীং ওইগদবনি। লৈত-লায়র অৱা অনা তারবা ইমুং মনুংদা মতেং খরা খরা পাংবদা ঐখোয় লায়রগনি হায়বা করিসু লৈতে, হেন্নদুম নুংঙাইবা পুরক্কদৌরিবনি। অদুবু ঙসিদি ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরসিদা শেল, লন-থুম, লৌ-ইঙ্খোল লেপশিনবদা অপেনবা নাইদবা মীওই মশীং হেনগৎলক্লি। অদুম ওইনমক অতোপ্পবু মতেং পাংজনীংবা মীওই কয়া অমসু লৈরি। হায়রিবা অসিগুম্বা মীওই কয়া অমনা পুনশিনবা শেন্দোং তানবা নত্তবা (non-profit organization) লূপ কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। লূপশিং অসিগী মনুংদা দাইনামিক মণিপুরসু অমনি।

মরম অসিননি দাইনামিক মণিপুরনা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা লান্দাবা হেক হৌরকপদগী ইরৈচাশিংদা অঙম্বা মতেং পাংদুনা লাক্লিবা। মমাঙগী ৱারেংদা দাইনামিক মণিপুরনা মতেং পাংজখিবা মফম ১৩ পঞ্জখিবগী মখা তাজরগে। লূপ অসিনা মতেং পাংজখিবা চীংগী মফমশিংদি থিংকাংফাই ভিলেজ মনাক্তা লৈবা কে সলেম ভিলেজদা চাকখুমদা চঙবা চেঙ, হৱাই, থাও, ঙারিনচিংবা পোৎলমশিং মতেং পাংজরুরে মমাঙ চহীগী জুলাই ৩০দা। মসিগী মতুং তারকপদা, কাংপোকপীদা লৈবা কাঙগুই হোপ মণিপুরদা মমাঙ চহীগী ওগষ্ট ১১দা চাকখুমগী ওইবা চিঞ্জাকশিং মতেং পাংজখ্রে। মসিগী মতুংদা ন্যু লমকাগী ভেঙনুআমদা লৈবা Only Grace Home দা চাকখুমগী মথেলশিং মতেং পাংজরুরে। মসিগী মতুংদা চৎলিবা চহী ২০২২গী ফেব্রুৱারী ৪দা পূন্না মীওই ৫০ মুক্কী ইমুং খরদা হায়রিবা চিঞ্জাক মথেলশিং অসি পাংজখ্রে। চীংগী মফমশিংদা মখা তারক্কদবা মফমশিং য়াম্না লৈরি।

তমগী ইম্ফাল মনুং, ইম্ফালগী অকোয়বা অমদি খুঙ্গংশিংগী মফমদা মতেং য়ৌখ্রবা মফমশিং অমুক থমজরগে। খ্বাইদগী অহানবা ইহান হানবা ওইনা মমাঙ চহী ২০২১গী জুলাই ১১ নোংমাইজিং নুমিৎতা মোংশাঙ্গৈদা লৈবা ওল্ড এজ হোম, মোংশাঙ্গৈদা চাকখুমগী ওইবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং - চেঙ, হৱাই, ঙারি, থাওনচিংবা পোৎলমশিং অসি মতেং পাংজখি। মসিগী হেক মতুংদা জুলাই ১৭তা চীংমৈরোংদা লৈবা লৈ ইঙ্খোল লেপ্রোসিদা লৈবা লৈত-লায়র অহল-লমনশিংদা চাকখুমগী ওইবা পোৎলমশিং - চেঙ, হৱাই, ঙারী, থাওনচিংবা পোৎলমশিং অসি মতেং পাংজখি। নুমিৎতুমক্তদা লৈ ইঙ্খোল মনুংদা লৈবা লৈ ইঙ্খোল চিলদ্রেন হোমদসু

হায়রিবা পোৎলমশিং অসি মতেং পাংজখি। অহল ওইরসু নহা ওইরসু অঙাং ওইরসু চাবদি চপ মান্নবনা হায়রিবা পোৎলমশিং অসি মতেং পাংজখিবনি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লৈখিবনা মফম অসিদসু য়াম্না অৱাবা তাখি চান-থক্লবা পোৎলমশিং লৈতবনা। ফীভম অদু তাবদগী দাইনামিক মণিপুরনা অঙম্বা মতেং পাংজখিবনি।

মখা তারকপদা, মমাঙ চহীগী জুলাই ২৯ শগোলশেল নুমিৎতা কুম্বীদা লৈবা সিনিয়র সিটিজন্স হোমদা অঙম্বা চাকখুমগী ওইবা পোৎলমশিং অসি মতেং পাংজরুই। নুমিৎ মঙা/তরুকনিগী মতুংদা ওগষ্ট ৪ য়ূমশকৈশা নুমিৎতা কৈবিদা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা লৈরিবা কনা লৈজদ্রবা অঙাংশিং অসিগীদমক চান-থক্লবা চাকখুমগী ওইবা পোৎলমশিং মতেং পাংজখি। মসিগী মতুং তারকপদা মমাঙ চহী লোইশিল্লকপগী দিসেম্বর ১৮ থাংজ নুমিৎতা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ৱাংবলদা লৈবা সিনিয়র সিটিজন্স হোমদা অমুক হায়রিবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোক্লুই।

অসুম্না অসুম চীং অমদি তমগী মফম কয়াদা লৈত-লায়র অঙাং অমদি অহলশিংবু মতেং পাংদুনা লাকপনা হৌজিক চৎলিবা চহী ২০২২গী জন্যুৱারী ৩১ নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চন্না লৈবা লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমদা কনা লৈজদ্রবা নৎত্রগা মচা মমৌশিংনা থৌশাবীদ্রবা, কাউথোকপীরবা অহল লমনশিংদা মখোয়না চান-থক্লবা হায়দুনা পোৎলমশিং মতেং দাইনামিক মণিপুরগী থৌবুরেল খরনা য়ৌহঞ্জরুই। লোয়ননা চৎলিবা চহীসিগী ফেব্রুৱারী ৪দনি তমেংলোংগী চীংগী মফমশিংদা লৈবা লৈত-লায়র ইমুং কয়াদসু চাকখুমগী ওইবা পোৎলমশিং অঙম্বা মতেং পাংজরুবা।

লোইশিল্লকপদা, ওল্ড এজ হোমশিংদা মতেং পাংবা ঙমজবদি য়াম্না পেঞ্জে থম্মোয়সে। অদুম ওইনমক অপোকপী ইমা ইপাবু কাউথোকপীদুনা ওল্ড এজ হোমনচিংবদা থমজিনবগী চৎনবী অসিদি ঐখোয়গী খুন্নাইগা য়াম্না চান্নদে অদুনা পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওইদে। ইমুং মনুংগী ইপু-ইবেন, অহল-লমন পূন্না নুংশিননা হরাও মীনোক তম্না নুংঙাইনা লৈজরম্বা ইরমদম কংলৈপাক ঙসিদি নোংচুপলোমগী চৎনবীবু অফবা চৎনবীনি হায়না মতৌ তম্লুবনা অপোকপী ইমা ইপাবু ওল্ড এজ হোমশিংদা থমজিনবীরি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ হেক পোকপদগী হৌদুনা ফনা লৈত্রসু, লায়রজরসু মচা চাওনবনি, মী অমমম ওইনবনি হায়দুনা অসুক ৱাজরকখিবা ইমা ইপাবু মখোয়না ঐখোয়গী মতেং মথৌ হেন্না তারকপা মতমদা মচা মমৌশিংনা মখোয় মখোয়গী নুংঙাইবখক খন্দুনা ওল্ড এজ হোমদা থমজিনবা হায়বসি অসুক্কী মতিক লাল্লি হায়না থমজগে। অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অমদি থৌওংসি মখোয়না অহল ওইরকপা মতমদা মখোয়দসু মচা মমৌশিংনা তৌরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। কর্ম্ম হায়বা ৱাফম অমসু লৈ হায়বসি কাউফদেদো। মরম অসিনা য়ারিবমখৈদি মচা মশুশিংনা অহল ওইরবা মমা মপাশিংবু তেল্লবা পুন্সিগী অরোইবা তাঙ্কক অসিদা মখোয়বু ওল্ড এজ হোমদা থমজিনবগী মহুত্তা মখোয়বু নুংশিনা কোন্দুনা থম্বীগদবনি হায়বসি কাউফদে। দাইনামিক মণিপুরনা ঙসি ঙসিসু মখা তানা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অসি মতেং পাংলুনবা শেম শারি ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরগী কাচিন কোয়া য়ৌনা মতেং পাংলুনবা। হিংসি অমদি হিংমিন্নসি। মতেং পাংনবনা য়াইফরে, য়াইফমিন্নরসে। ●